থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ইস্লামিক তেরোরিজম অমসুং ঙসি

...'ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা থাগৎফম থোকপদি অল্লাহ মথন্তনি... ঐখোয়না শৈথাই মাগী মতীক মগুন, মতেঙ নিজৈ মহাক্কী, ইরাল য়াজৈ ঐখোয়গী, চঙজৈ মাগী মফমদা... খঙদদুনা লঙশিল্লুবা ইরালশিংদু কোকপীনবা থৌনিজৈ... অল্লাহ মানা লমজীংলিবা মহাক্তুদি কনানসু লান্না লমজীং'ঙল্লোই, মানা লান্না লমজীংখ্রবা, কনানসু চুমথোক'ঙল্লোই... অল্লাহ মহাক নত্তনা লৈতে অতোপ্পা ইশ্বর অমা, অদুগা মুহম্মদ মহাক নত্তবা ইশ্বরগী অতোপ্পা মনাই নৎত্রগা পাউজেল্লোয়সু লৈতে তাইবংদা'...।

কনানা হায়রম্বা, কনানা থাজবা পাউজেলনো? পাউখুম অমুক পীরুদ্র'সু, অতাবনা অদুম খঙজরবা, পাউখুম য়াওরবা ৱাহংনি। মীওইবনা উমং ৱামংদা শা-ঙাগুম, ফি শেত্তনা হিংলম্বদগী ৱাখল খনবগী অমদি পুন্সিরোলগী থাক তপ্পা তপ্পা হেনগৎলক, ধর্ম্ম (রিলিজন) হায়বা, শকউদবা কনাগুম্বা অমনা পীরম্বা য়াথংগী খুদুং ইন্দুনা হিংমিন্নবগী চৎনলোন অমা হৌদোকখিবদগী কাঙলুপ অমনা অমবু থাজনদবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকখি। যিসস-খৃষ্টগী খূথাঙদা লাইগী পাউজেল শন্দোকখিবা, পাউজেলদুবু থাজজবা কাঙবুদুবু কৌখি 'খৃষ্টিয়ন' (খৃষ্টিয়ানিতি)। মুহম্মদগী খূথাঙদা 'অল্লাহ'গী মপাউ শন্দোক্লম্বা, মপাউদুনা অথোয়বনি থাজজবা কাঙবুদুনা 'মুসলমান' (মহম্মদনিজম/ইসলাম)। 'হিন্দু' হায়বা কাঙলুপসিদি কনাগুম্বা লাইগী মচা অমত্তনা পাউজেল ওইনা পুরক্তুনা মচা মনাই ওইবশিংদা শন্দোক্তুনা মীচঙ খোম্বা, কাঙলুপ ওইনা শেমগৎলমখিবা নত্তে। 'হিন্দু' হায়বা মিংসিসু মীরৈবাক্তগী লাকপা মীতোপশিংনা থোল্লম্বনি।

ধর্ম্মগী হৌরকফম নৈনবরোমদা চৎখিদৌরে, তেনশিল্লগে। নুংশিবগী পাউজেল য়েন্দুনা, মালেমসিদা লৈমিন্নরিবা মীওইবা কৌবা খুন্নাইসি ঈংনা-চীক্লা, চান্ন-চিন্ননা হিংমিন্ননবা, লংলা ওইনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা শেমখিবনি- ধর্ম্ম (রিলিজন)। অদুবু, পান্দমদুগী ওন্ন-তৈনবদা মান্নদবা ধর্ম্ম অনী চৎপা মীওই কাঙলুপ অনী অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবই ৱাদি তোকখিসি, অমনা অমবু থাজনদে। থাজনদবা অনী করম্না নুংশিনগনি ! যিজস থূপখ্রবা মতুং চহী-চা কুন হৌখ্রবা মতুং, কুনমাথোইশুবা চহীচাগী চহী কুনমাথোই হৌখ্রবা মতূংসিদদি ধর্ম্মনা নুংশিনহনবা নত্তবা 'ধর্ম্মগী লান' হায়বা ৱাফম অমা থোক্লক্লে। ঐগী ধর্ম্মনা অথোয়বনি, নঙগী লাইদি মীফত্তনি... পাউজেল ওইনা শন্দোক্লরকপা, মাগী ধর্ম্ম থাদোকহল্লগা ঐগী ধর্ম্মদা ওনশিনহনগদবনি হায়বা ৱাখলনা মাঙওইনরকপা অসিনচিংবসিনা 'ধর্ম্মগী লান'গী ৱান্ধ ওইরকই। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতূংদা অহুমশুবা লাঞ্জাও অমা থোক্লক্লবা করিগুম্বা, মদুগী ৱাহৌ 'ধর্ম্মগী ওইবা ইস্যু' অমনা শোয়দনমক্কী ওইগনি- নৈনমীশিংনা হায়বনি। ৱাফম অসি হায়নরকপগী মরমদি- মানা নীংবা/থাজজবা লাই অদুগীদমক মথ্বায় ফাওবা থাদোকচবা ঙম্বা, লাইদুবু করেম কথাইননা/ উশিৎ থওইদনা ঙাঙবা-শকপা-ইববুসু মঙক ককথত্তুনা হাৎপা ঙম্বা, মপুগী অশেঙবা লাল্লোয় থোরকপননি। মশামকসু শিদোক্লগা, মশানা য়েক্লবনি খনজবা কয়াবুসু হাৎপগী লানজঙ অদুবু কৌজৈ মখোয়না 'হোলি ৱার'। অদুগা পোলিটিকেল সুপর পাৱরশিংগী ৱাহৈদনা 'তেরোরিজম'! মপুগী লাল্লোয় ইস্লামিষ্টশিংগীনা 'জিহাদিস্ত'শিংদুবুনা 'তেরোরিস্ত'! হৌজিক মালেমগী শান্তি থুগায়রিবা, মালেমগী মচি মচিদা শোক্লরিবা লান মচা-মচাশিংগী অয়াম্বা হৌরকফম- ইস্লামিক তেরোরিজমনি- অমেরিকা অমদি মহাক্কা মীচঙ ওইবা লৈপাকশিংনা খল্লি। মরমদি, তেরোরিজমগী থৌওং চথরিবা অমদি মীশি-মীনা থোক্লিবসি অয়াম্বনা ইস্লামিক কন্ত্রি তরুক্তনি- অফঘানিস্তান, নাইজেরিয়া, পাকিস্তান, ইরাক, সোমালিয়া অমদি সিরিয়া। অদুগা, থোকখ্রিবা তেরোরিজমগী থৌদোকশিং অদুগী চাদা ৭৪না ইস্লামিস্ত ওর্গনাইজেসন মরিনা থোকহনখিবা (আই এস আই এস, বোকো হরাম, তালিবান অমদি অল-কইদা)। শক ২০০০গী মতূংদগীদি ইস্লামিক তেরোরিজমগী থবকশিং, এসিয়া অমসুং অফ্রিকাগী মুসলিমনা নম্না তাবা লমশিংদা চথরম্বদু গ্লোবেল স্কেলদা চথরক্লে। অস্ট্রেলিয়া, রুসিয়া, কানাদা, ইজরেল, ইন্দিয়া, য়ুনাইতেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা অমদি য়ুরোপকী লৈপাক কয়াসু ইস্লামিক তেরোরিজমগী তার্গেত ওইরকখি। মখোয়গী তার্গেত মুসলিম অমসুং নন-মুসলিম অনীমক্লি। ইস্লামিস্ত তেরোরিস্ত এত্তেকশিংদা শিখিবা অপূনবা মীশিংগী মনুংদা চাদা মরিফুদি মুসলমান ঙাক্তনি। অদুনদি ৱাফমসিমদি তশেংনা ময়েক শেংলে- ইস্লামিস্ত তেরোরিস্তশিংনা য়েক্লবা ওইনা লৌরিবা, লান হৌরিবসি মুসলিম নত্তবা (নন-মুস্লিম) পোপ্যুলেসনগী মায়োক্তখক নত্তে।

অদুনদি হৌজিক নাখৈ শেংলে- গাজা, ইজিপ্ত, লিবিয়া, সিরিয়া, ইরাক, ইরান, লেবানন, মোরোক্কো, অফঘানিস্তান, পাকিস্তান'নচিংবা মুসলিম লৈপাকশিংদা লৈরিবা মুসলিমশিং তংদু লৈতানা লেনবা, নুংঙাইবা পুন্সি অমা শাগোন্ননা হিংবা নত্তে। মখোয়গা চাংদম্নরুবদদি ইস্লামিক রিপব্লিক নত্তবা অস্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, ফ্রান্স, জর্মনি, ইন্দিয়া, ইতালি, স্বিদেন, কানাদা অমদি অমেরিকাদা লৈরিবা মুস্লিমশিংনা মুসলমান অমা ওইনা হিংজবদুনা শরুক কয়া নুংঙাইবা হেল্লি। য়াইবী মরাঙ কায়বা হেল্লি। অদুবু, কয়াদা তায়ওন্নখ্রবা ৱাখলনো? ইস্লাম ধর্ম্ম থাগোন্নজবা কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয়গী ধর্ম্ম, মখোয়গী লুচিংবা, মখোয় মশাবু কৈদৌঙৈদা নিন্দা তৌরোই। মখোয়না নিন্দা তৌদুনা চৈগনি- মখোয়বু নুংঙাইনা থম্বীরিবা লৈপাকশিংদুতবু পন্দুনা। হিন্দু-বুদ্ধিস্ত-খৃষ্টিয়ন-বহাই-জিউ-সিখ... পুন্না লৈমিন্নবা, য়ানদবা লৈরোই, খৎনরোই চৈনরোই। অদুবু মখোয় পূম্নমক মুস্লিমশিংগা লেমিন্নরবা, প্রোব্লেম অমা নৎত্রগা অমা হেক্তা থোরক্লিবা করিগী? খ্বাইদগী লুবা ৱাহংদি মুস্লিমগা মুস্লিমগা (সিয়া-সুন্নি) লৈমিন্নবা য়াদবসিনি।

লৌশিং পুক্কে

# সোসল মীদিয়া মতম শাংনা

## শীজিন্নবনা ঈনখৎলক্লিবা নহাশিংদা এঞ্জাইটি, দিপ্রেসন নাহনবা য়াই

মতম শাংনা সোসল মীদিয়া শীজিন্নবনা ঈনখৎলক্লিবা নহাশিংদা সোসল ৱিদ্রোৱেল, এঞ্জাইটি নৎত্রগনা দিপ্রেসন নারকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংই হায়না অনৌবা ষ্টদি অমনা হায়রি।

সোসল ৱিদ্রোৱেল, এঞ্জাইটি অমদি দিপ্রেসন হায়রিবা মনুংদা লোৎশিন্দুনা লৈবা (ইন্টর্নেলাইজিং) পুক্নীং ৱাখলগা মরী লৈনবা লায়না মখল অহুমসি নাবগী চাং অসি ফেসবুক, ইনষ্টাগ্রাম, ত্বিতর অমদি অতোপ্পা সোসল মীদিয়াশিং নোংমদা পুঙ ৬ তগী হেন্না শীজিন্নবা চহী ১২ দগীনা ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদনা শরুক অহুম হেল্লি হায়না রিছার্সরশিংনা জে এ এম এ সাইক্যাট্রি কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

সোসল মীদিয়া শীজিন্নবদা মতম হেন্না লৌরিবগী মতীক ঈনখৎলক্লিবা নহাশিংদা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন নারকপা য়াবগী চাং হেনগৎলকই হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে হায়না ষ্টদি অদুগী মকোক থোংবা রিছার্সর ওইরিবা বাল্টিমোরদা লৈবা জোন্স হোপকিন্স ব্লুমবর্গ স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থকী দোক্টর তন্নিবা কিরা রাইএমনা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা ঈনখৎলক্লিবা নহাশিং অসিদা শরুক মরী হেন্না ইন্টর্নেলাইজিং অমসুং এক্সটর্নেলাইজিং মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেমশিং থেংনরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। এক্সটর্নেলাইজিং প্রোব্লেমশিংদি ঙাঙনবা ৱাবা, অতোপ্পদা করেম কথাইনগনবনচিংবশিং অসিনি।

ষ্টদি অদুগীদমক রিছার্সরশিং অদুনা কুমজা ২০১৩ দগীনা ২০১৬ ফাওবী মনুংদা পাঙথোকখিবা ঈনখৎলক্লিবা নহা ৬,৬০০ রোম্না শরুক য়াবা সর্ভে অমগী দেটাশিং নৈনরম্মী। শরুক য়াখিবা নহাশিংগী মনুংদা চাদা ১৭ য়ৌদবনা সোসল মীদিয়া শীজিন্নদে হায়বা থেংনখি। চাদা ৩২ অমনা সোসল মীদিয়াদা নোংমগী পুম্থায় অমদগী তানা শীজিন্নে হায়খি, চাদা ৩১ অমনা নোংমদা মিনিট ৩০ দগীনা পুঙ ৩ ফাওবগী মনুংদা শীজিন্নে হায়খি, চাদা ১২ অমনা পুঙ ৩ দগীনা পুঙ ৬ ফাওবগী চাংদা, অদুগা চাদা ৮ অমনা নোংমদা পুঙ ৬ তগী হেন্না শীজিন্নে হায়খি।

মখোয়শিং অদুগী মরক্তা সোসল মীদিয়া শীজিন্নবগী চাং হেনবশিং অদুনা এঞ্জাইটি, দিপ্রেসন অমসুং তোঙান্না তারে হায়বগী ৱাখল পোকপনচিংবা প্রোব্লেমশিং থেংনবগী চাং হেল্লম্মী।

খুদম ওইনা, সোসল মীদিয়া শুকশী-শীজিন্নদবা নহাশিং অদুদগী নোংমদা পুম্থায় অমদগীনা পুঙ অহুমফাওবা শীজিন্নবা নহাশিং অদুদনা ইন্টর্নেলাইজিং প্রোব্লেমশিং থেংনবগী চাং শরুক অনী হেল্লম্মী। নোংমদা পুঙ ৩ দগীনা পুঙ ৬ ফাওবগী চাংদা শীজিন্নবা নহাশিং অদুদা শরুক ২.৫ কী চাংদা হেল্লম্মী। অদুগা নোংমদা পুঙ ৬ তগী হেন্না শীজিন্নবশিং অদুদদি ইন্টর্নেলাইজিং মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেমশিং থেংনবা য়াবগী চাং অদু শরুক অহুম হেন্না হেল্লম্মী। হায়রিবা থৌওং অসি ইন্টর্নেলাইজিং অমসুং এক্সটর্নেলাইজিং প্রোব্লেম অনীমক থেংনবা নহাশিং অদুদসু চপ মান্ননা থেংনৈ হায়না রিছার্সরশিং অদুনা হায়খি। অদুবু এক্সটর্নেলাইজিং প্রোব্লেম থেংনবগা সোসল মীদিয়া শীজিন্নবগা অনী অসিখক্তংগী মরক্তা লৈনবা মরী অদুদি অরেপ্পা অমা খঙদ্রি।

রিছার্সরশিং অদুনা হায়খি, নোংমদা পুঙ অহুমদগী হেন্না সোসল মীদিয়া শীজিন্নবা ঈনখৎলক্লিবা নহাশিংদা পুক্নীং ৱাখলগী লায়না নারকপা য়াবগী খুদোংথীবা হেনগৎলকই।

রাইএমনা হায়খি, অতোপ্পা ষ্টদিশিংদসু হায়রিবা থৌওং অসিগা মান্ননা ফংখ্রে, অদুবু ঈনখৎলক্লিবা নহাশিংদা সোসল মীদিয়ানা



অসিগুম্বা চৈথেং পীরিবসি করি মরমগীনো হায়বদুদি কনামত্তনা চপ চানা খঙদ্রি।

সোসল মীদিয়া অসিনা ঈনখৎলক্লিবা নহাশিং অসিদা অতোপ্পশিংনা মঙোন্দগী নুংঙাইবা অমসুং ফবা হেল্লি হায়বা অরানবা ৱাখল্লোন অমা শাগৎহনবগা লোয়ননা মশাগী ওইবা চাউথোকচবা অদু মাঙহনখিবা মরম্না অসিগুম্বা ফিভম অসি লাকহনবা ওইরম্বা য়াই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

রাইএমনা হায়খি, ঐখোয়গী পুন্সিদা অৱাবা কয়া থেংনরবসু সোসল মীদিয়াদদি য়াম্না নুংঙাইবা মালহনবা য়াই। সোসল মীদিয়া মতম য়াম্না শাংনা শীজিন্নবা নহাশিং অসিনা অতোপ্পা মীওইশিংদি য়াম্না নুংঙাই-নুংঙাইনা হিংলি হায়না খনবদগী লোয়ননা মখোয়গী পুন্সিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু য়াম্না ফিভম শোকচিল্লবোই খল্লি।

ষ্টদি অদুদা ফংলকখিবশিং অসি অতোপ্পা ষ্টদিশিংদা মান্নে, অদুবু অসিগুম্বা টেক্নোলোজিশিং অসিনা মীওইবগী মুদ অমসুং পুক্নীংদা কয়ামুক য়াম্না চৈথেং পীবগে হায়বদুগী মতাংদদি য়েৎনবা খরদি লৈরি হায়না থিজিনবা অদুদা য়াওদবা য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গ সেন্টরগী পোষ্টদোক্টরেল এসোসিএট ডা. সেজর ইস্কোবার-ভাইএরানা ফোঙদোকখি।

সোসল মীদিয়া শীজিন্নবগী মতমখক্তংনা মীওইবদা পীবা চৈথেং ওন্ননবগী পান্থে ওইনা ষ্টদি অসিদা শীজিন্নরিবা অসিদা য়ানদবা কয়াসু লৈরি। খুদম ওইনা মমাঙদা চথখিবা রিছার্সতা শীজিন্নরিবা সোসল মীদিয়া সাইকী মশিং অসিসু প্রোব্লেম অমা ওই হায়না উৎলি। সাইট অমা-অনীদং শীজিন্নবগা সাইট ১১-১২ শীজিন্নবগা মুদতা ইফেক্ট পীবগী চাং অদু মান্নদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, মীওই অমনা শীজিন্নরিবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমসুং সোসল মীদিয়াদা মীওই অদুনা উৎলিবা লমচৎ অদুসু মীওই অদুগী মেন্টেল হেল্থ ইস্যুশিংগী ইন্দিকেটরনি। চথরিবা ষ্টদি অসি ওবজ র্বেসনেল ষ্টদি ওইবনা সোসল মীদিয়াগা পুক্নীং ৱাখলগী লায়নাশিংগা লৈনরিবা মরী অদু করম্বা মায়কৈদা লৈরিবনো হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদে। সোসল মীদিয়া শীজিন্নবনা মেন্টেল হেল্থ ওইহল্লকপা ওইরম্বা য়াই। নৎত্রগনা মদুগী ওন্না-তৈনবদা অসিগুম্বা পুক্নীং ৱাখলগী প্রোব্লেম লৈবা নহাশিং অসি সোসল মীদিয়াদা হেন্না লাইচুগনবা ওইরম্বসু য়ারি। অমবু ওইরে-অমবু ওইরে, সোসল মীদিয়াগা ঈনখৎলক্লিবা নহাশিংগী পুক্নীং ৱাখলগী লায়নাগা মরী অমদি লৈনরি হায়বসিমদি শেংলে। অদুনা মমা-মপাশিং অমদি অঙাং মশানসু চেকশিনবা মথৌ তারি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

মমি ৱারী **থৱান**





খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নশাগী নশক অমত্তা উবা ফংদ্রেহি, য়েংবা থৌবগা নঙ নত্তবা ঙাক্তা উগনি। ঐখোয়গী চীংগী অহল উদে, তমগী ইয়াম্বা উদে। ইমা কৈথেলসু অসুম পীকশিল্লকই, শাম্বু মখোঙদি তুমীৎনা হেন্না চাউরে।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## রিটন টেষ্টতা ফংখিবা মার্ক ট্রান্সপরেন্সি হেন্না ওইনবা লোকল ন্যুজপেপরশিংদা হাপ্পীয়ু



মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ওগষ্ট ১৪দা গ্রেজুএট টীচরগী রিটন টেষ্ট ইগজাম থাহনখিবদু অথুবা মতমদা হায়দোকপীরবদি কেন্দিদেটশিংগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। অদুবু ইগজামগী রিজল্ট হায়দোকপা মতমদা য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈনা হায়বদি কেন্দিদেট খূদিংমক্কী রিটন ইগজামদা মার্ক অদুক ফংলে হায়দুনা লোকল ন্যুজপেপরশিংদা ফোঙদোকপীরক্লবা অদুগীসু মথক্তা ঐগী মার্ক ফংলিবা অসি থাজদে নৎত্রগা মানা ফংলিবা মার্কসি থাজদে হায়দুনা চেক তৌবগী খুদোংচাবা পীবিরবদি য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনি হায়বসি মীপূম খূদিংমক্না শোন্নগনি। কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টকী মতমদা ২০১১গী রমশাগী অহানবা বেট্চতা ওভরওল মার্ক বেসিস হায়বদি বিইদ য়াওনা মেত্রিকতগী হৌরগা মাষ্টর ফাওবদা ফংবা মার্কশিং পূনশিন্দুনা পর্সেন্টেজ অমা হোৎলগা য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈনা ন্যুজপেপরদা ফোঙখিবা অমদি এপোইন্টমেন্ট পীবদা মার্ক য়াম্না ফংবা কেন্দিদেটশিংদা স্লাইদ শো কাপথোক্তুনা অপাম্বা স্কুল খনবগী খুদোংচাবা পীখিবগুম ঙসিগী লৈঙাক অসিনসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা ইন্সট্রক্সন পীবিরবদি অফবা ক্বালিটি লৈবা ওজাশিং পুথোকপা ঙমগনি হায়না লৌনৈ। মতম অদুদা এপ্লায় তৌজরুবা মীওই খূদিংমক্কী মরক্তগী মার্ক নেম্বদগী খল্লক্তুবসু অপেনবা পোকচগনি। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা করপশনগী চাংসু হন্থগনি হায়না খল্লি।

❒ থৌদাম রতন, দিবোং অৱাং লৈকায় জিরিবাম

## কোভিদ লাইচৎনা শেন্থোক লম্বী লৈহন্দ্রবা ইমুংশিংগী অঙাংশিংনা এদমিসন তৌবদা কোমথোকহন্নিংই



কোভিদ পেন্দমিক অসিনা মীয়ামগী নুংতিগী পুন্সিদা অকায়বা পীবদা নত্তনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা চাওনা চৈথেং পীরে। কুমজা ২০২১গী মেত্রিক অমদি টুয়েল্ভকী ইগজামসু প্রমোসন পীখ্রে। মহৈরোয়শিংগী ক্বালিটিদি কনানা লেপকনি হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। টুয়েল্ভ ক্লাসকী ওইনা মাগী মাগী স্কুলশিংদা পীরক্লিবা মার্কশিং অদু মহৈরোয়শিংনা পেন্নদবদগী সাইন্স, আর্টস অমদি কম্মর্স ষ্ট্রীমদা পূন্না মহৈরোয় ১০০ রোম হেন্না ইগজাম থারগনি হায়না পাউচেদা ফোঙদোক্লরক্লি। ফিভম্না য়াদ্রবসু এদ্যুকেসন সিষ্টেমদদি য়াম্না চাওনা শোক্লে। পীক্লিবা মহৈরোয় ক্লাস ৱানদগী নাইন ফাওবগী প্রমোসন পীরিবা অসিনা করি কান্নরিবা ? স্কুল কাদ্রবনিনা লাইরিক পাউ হায়বসু মহৈরোয় অয়াম্বনা ইন্নদ্রে। ওনলাইন ক্লাসকী তৌরিবা ফিভম অসিনা কদায় ফাওবা মপূং ফাগদৌরিবনো ? ওনলাইন ক্লাসকী ওইনা অপীকপা অঙাংশিংগীদি তৌদবনা অয়াম্বনি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন মপূং ফানা কাপথোকপা, এস ও পি কাঙলোন মপূং ফানা ঙাক্তুনা স্কুল হাংদোক্লবা হোৎনবনা চুমগনি খল্লি। রোটেসন নাইনা ক্লাসৱাইজ তৌরবদি এস ও পি ঙাকপা ঙমগনি নৎত্রবদি চহী অনী অসিগী মনুংদা মহৈরোয়গী পুন্সি করম্বা মায়কৈদা চৎকদৌরি। লৈবাক্কী ওইনা অপীকপা অঙাংশিং অসিগীসু অথুবদা কোভিদ-১৯গী হীদাক পুথোরক্তুনা মাস ভেক্সিনেসন তৌরবদি শোয়দনা ক্লাস তৌবা য়াগনি খল্লি। প্রাইভেট স্কুলগী ওজা কয়া, ভেন দ্রাইভর অমদি লৌমী-শিন্মীশিংদি ৱাবনা খম থেংলে। অমরোমদা, মীখল নকশিল্লকপা অসিদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি মীয়াম্না ঙাক্লা চৎকদ্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি।

❒ পুয়াম অচৌ খুমনচা, শিখোং বজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৯।২০২১ ইং, ইরাই,
লাংবনগী৪নি পানবা।

মেষ: লাইবক ফবা, মরুপ মপাং ফংজবা, ললোন ইতিক চাওখৎপা অমদি থৌনা ফুদোকপা মতাং চাবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎলগনা হেন্না মায় পাকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: নিংবা থুংগনি, অনৌ-অনৌবা থৌরম পাঙবা য়ারনি অমদি অফবা মফম ফংজবগী নুংঙাইগনি। লৌশিং চাওরসু লাইগুরুগী ৱা তাদ্রদি চান্নবা কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন: হন্থবা লোয়নবনা নরল মাঙগনি অমদি মীৱা থাজবনা পুক্লিং ৱাগনি। অচুম্বা চৎনবা হোৎনৌ, লৌশিং তানসিনবা অমদি ইমুং মনুংগী ৱা তাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লান্না খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: পাউ নুংঙাইবা তাগনি, লমদগী কান্নবা ফংগনি অমদি শেল পামজবা পোৎলম ফংজৌ হাইবসু লৈ। মরুপ মপাংগী মতেংদগীসু শোয়দনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: চিন কনবা অমদি অশাওবনা মাংজগনি, কাওগনু। লাইবক ফবনা শেন্দোং তানবা থবক্তদি মায় পাক্কনি অমদি ইমুং মনুং ৱাতান্ননা পাংবসু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: চিন্দা পৌদানবা তৌগনু, ঈকাইবা নংবা য়াবা লৈ। হৈপা শাবগী মহুৎতা খুদোংচাবা য়েংদুনা লৈউ। য়ারগদি নথক থোংবৈ ৱা তাউ, কান্নবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পংশিন্নবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: নিংবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি অনৌবা আশা লাকপনা ৱাখল নুংভাইজবা নুমিৎনি। মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি লান্দবনা মায় পাকপা হেনবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: নিংহন্নগনু থবক পাঙগনি অমদি অরুবা মরমদসু মীকোক থোংজৌ হাইবা লৈ। ঈরাং পুরদি কাইনবা নংগনি অমদি নথক থোংবনা চানবীরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

ধনু: য়েৎনবা খরদি হান্নগুম লৈ-থিবা হুম্বা কল্লদি অকাইবা লৈরোই। অতৈ লমদদি কান্নবা ফংগনি-শেন্দোং ফংগনি অমদি ঙাং-শকপদা মীনা থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চম্না খন্দোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: অনিংবা থবক খরদি পাংলনি অমদি নক্লবনা চানবীরনি। অচুম্বনা মাংওইনৌ-নচাক নরল চাওখৎকনি। খুরৌ থাংবা অমদি চিংনবা খরদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: মরম চাদনা আশা চাওবা মীপাইবদুম নংগনি। লাই-গুরুনা চানবীগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি। অনম তানবা অমদি মীৱা থাজবদি মাংবতা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: অঙম্বনা নরল মৎপিবা য়াবা অমদি অশাওবনা ইমুং মনুংদা ফাওবা ঈংথদবা লৈগনি। অদুবু নিংহন্নদনা মাংলোমদা চংশিনবা থবক্তদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চাদে-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।